
# য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন টিমদা য়াওদুনা গুৱাহাটিদা তৌখিবা ফেদরেশন কপ্তা শান্নজরকখি ঃ এল ইমো (কালা)

রত্নেশ্বরী গোস্বামী



এল ইমো (কালা)

হান্নগী মখা...

মণিপুর ষ্টেট গেমসতা গোল্ড মেদল ফঙবা, লোইননা ফুটবোলদসু খরদং ফগৎলকপা অদুদা, এম আরদা কৌরক্কুনা থবক পীবিরকখি। ঐনা এম আরদা থবক চঙজবা মতমসিদা তখেল লৈকাইদগী সর বিমোলনা সেকেন্দ এম আরগী সী ও ওইনা থৌ পুবিরম্মী। ঐখোয়গী মমাংদা, উরিপোক্তগী ঐজ্ঞা মদন অমদি তা ইবোপীশকতি হান্ননা এম আরদা ফুটবোল শান্নরোই ওইনা লৈখ্রে। মখোয়না ঐঙোন্দা থবক চঙবগী মতাংসি পাউ পিবিরকখিবনি। মতমদুদা শান্নবদগী চঙখিবা থবক খুৎচংদু য়াম্না কোম্না চঙখি হায়জনিংই। সী ও সাহেবনা লৈফম চাফমগী ৱাফম খরা হঙলগা, ঙসিদগী নহাক নম্বর পীরগদবনি, অদুনা মথং থাদগীদি তলব ফঙলগনি হায়রগা ইকোম কোম্না থবক হাপ্পীখি। মদু ঐহাক্কীদি শান্নজরকপগী ইহান হান্না মহৈ চাবনি।

মতম অমত্তদা, এম আরদা থবক চঙমীন্নবসি পুন্না ঐখোয় মঙানি দব্লিয়ু হেমন্ত (মিটর ১০০, মিটর ২০০, মণিপুরগী চেম্পিয়ন), ককা ইরাবত (এস এস য়ু), এস জোটিন (বেবী, এস এস য়ু ফুটবোল্লর), টি জনাকী (থ্রোৱর, লৈখিদ্রে) ঐহাক্কা (মিটর ৪০০, মিটর ৮০০ গী লমজেল্লোই অমসুং ফুটবোল্লর), ১৯৭৬/৭৭ কী মতমসি ঐগী ওইনদি শান্নবদা পুরানা লুপ্তুনা লৈবা, মৈ-ঈশিং খঙদবা মতমনি। থবক তৌরবনি হায়দুনা ফঙলকপা শেলফম অদুনা অবোক অমদি ইমাগী মতেংসু খরা খরা পাঙবা ঙম্লে। অদুবু ঐখোয় মঙামক মতম শাংনদি তৌরমদ্রে। সুপ্নগী শান্নবগী তৌবনিনা, অয়ুক্কী রোল-কোল য়াওরম্লগা প্রেক্টিশ তৌননবা অদুম থোরকপনি, থাগী তলবসু কাইদনা অদুম লৌই। থবক্তু য়াম্না নুংঙাইনদি তৌরম্বনি। অদুবু চহী অনী খরা হেল্লকপা অহুম চঙলকপা অদুৱাইদা, নোংমদি য়ুনফোর্ম পীদুনা পোলিশ ত্রেনিং য়াওননবা হায়রকই। মতমদুদসু ঐখোয়না হায়, ঐখোয় পাঙ্গৈদা তৌবদি ঙম্লোই। অতোপ্পা মফম অমদা শিনবিয়ু হায়জখি। অদুদগী, সেকেন্দ এম আর গ্রাউন্দদা তোঙাননা অতোপ্পা গেমগী শান্নরোই খরগা ঐখোয়গা ত্রেনিং তৌখি। অদুবু, ঐখোয় এম আরদা কুইনদি লৈরমদ্রে। তপ্না তপ্না ঐখোয় মঙামক থবক তোল্লকখি। কোন্না ঐদি অমুক কৌরক্কুনা, এম আরদা অমুক্কসু মতম খরা লৈরমখি। মতমদু সার দামুদরনা দি আই জি ওইরি। ঐনা কোন্না লৈবা চহীসিদা পোলিশ টিমগী কেপ্তেনসি কামোনা ওই।

মসিগী মখা চত্থরকপদা, ১৯৭৯/৮০ ওইগদ্রা খল্লি। মণিপুরদা ওল ইন্দিয়া ষ্টেট রোদ ত্রান্সপোর্টকী ফুটবোল তাখি। মদুদা, এম এস আর টি সিগী শান্নরোই লৌবগী ত্রাইয়ল সিলেক্সন অমা পাঙথোকখি। সিলেক্সনদা ঐহাক খল্লকখি। ঐনা খরা নিংশিংজবদা, তা রামকুমার, পী নীলকমল (ওলেম্পিয়ন), মহমদ ইতোম্বা, তায়েব অলি, তোম্বা .... অদু, য়াম্নসু নুংঙাইজখি। মতমদুদা, লৈফম চাফম খুদিংমকসু ফর্ষ্ট ক্লাসকী থাক্তা লোইনা পীবিখি। অসিদসু নত্তনা



ভেটরান শান্নরোই ওইনা এল ইমো ২০০২

মখোয়সু য়াওখিবনি। কোচনা, মণিপুরগী হান্না মশক নাইনা শান্নবিরম্বা প্লেয়র, লাইশ্রম তা নবনা ওইখি। তা নবদি হান্না এম এস আর টি সিদা থবক প্লেয়র পুম্নমক্কী টি এ/দি এসু শারকখি। শান্নবদা ঐখোয়গী গ্রুপ্তা তাখিবসি, আই টি আই বেঙ্গলোর, ওরকি মীল বোম্বে, প্রেমী টয়রনি।

## অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং

তৌদুনা লৈরম্লে। মদুগী ফাইনেল মেচতা জম্মু কাশ্মীরগা ঐখোয়গা শান্নখি। মণিপুরনা চেম্পিয়ন লৌহৌই। এম এস আর টি সিদা থবক তৌবা মওংসিদি কেজুএল ওইনা তৌবনি। মতমদুদা, মেনেজিং দিরেক্টরসি হাওবম ভুবন্না ওই। ১৯৭৮ অসিসু, ঐগী ওইনদি লাইবক ফবা চহীনি হায়জনিংই। চহীসিদা গুৱাহাটিদা "ফেদরেশন কপ" তাখি। ভারতকী অখন্নবা টিম ১৬ না শান্নবা টুর্নামেন্ট অসিদা, য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন অসিসু খঙ্গৎলক্তুনা ঐখোয় গুৱাহাটিদা শান্নবা চৎচরকখি। "ফেদরেশন কপ" শান্নবা চৎচখিবা শান্নবদদি ঐখোয় প্লে লোইনমক পোখি। অদু ওইজরগসু মমিং লৈবা টিমশিং অদুগা শান্নমিন্নবগী নুংঙাইবদি ঐখোয় ফঙলকখি। ইন্দিয়াগী অফাওবা খুৎশান্না খরা উজরকপদু, ঐখোয়দসু খরা কান্নখি। ঐখোয়গী কোচ ওইনা মতমদুদা পুবিখিবসি, সার দব্লিয়ু কামীনীকুমারনি। ওজা কামীনীদি অশেংবা ওজাগী মগুনগা লোয়ননা পোক্লকপা মীশক্তি হায়জনিংই। ঈশ্বরনা পীরকপা থোইদোকপা মগুন কয়া ওইবনা কামীনীদা য়াওই। মাগী মগুনদি ঐনা থাবদা লোইররোই। শম্না হায়জরবদা মণিপুরগী ৱারীদা ওজা কামীনিদি অচঙবা মীওইনি। গুৱাহাটিদা তাখিবা ফেদরেশন কপ অদু বী এস এফ জল্লন্দরনা চেম্পিয়ন ওইখি। মতমদুদা বী এস এফ জল্লন্দরদা মণিপুরগী শান্নবা হৌখিবা নরেন্দ্র গুরুঙনা টিম কেপ্তেন ওইদুনা লাকখি। মণিপুর মচা ময়াম অমসু মতমদুদা মপানগী কম্পেনিদা শান্নগে হায়রগদি খুদোংচাবা ফঙখি। ঐহাক্না ১৯৭০ দগী ১৯৮০ অসিফাওবদা থেঙনজরকপা ৱাফম খরসু ফোংদোকচগে, মপান কাংজৈবুং অসি ইম্ফালগী অকোইবদা নক্না তারিবা উরিপোক, নাগামপাল, ৱাহেংবম লৈকাই, শগোলবন্দ, কৈশামথোং, য়াইস্কুল ময়ামসিগী শান্নবুংনি। মফমসিদা, নহা-অহল খাক্তনা অয়ুক নুংথিল অসি পুল্লপ-পুল্লপ শান্নরম্মী। মতমসিদা ফুটবোল শান্নরোইসিসু মরাং কাইনা লৈরম্মী। মণিপুরগী নহা অয়াম্বসি শান্নরম্ব্রা হায়নসু খল্লি। অদুগা ফোর্থ অসাম রাইফল অসিসু কংলা মনুংদা লৈরম্মী। হায়রিবা মতমসিদা, গোর্খাগী অরিঙবা টিম অমসু মমিং লৈনা মণিপুরদা শান্নরম্মী। গোর্খাগী শান্নরোইসু য়াম্না লৈরম্মী। হৌজিক্তি মমিঙ তাখিদ্রে। মতমদুগী গোর্খা শান্নরোই ঐনা নিংশিংজবা খরদি চান্দ্রু, ইন্দ্রকুমার রানা, অর্জুন, মদন, ভগৎ লিম্বু, তা দিপক লিম্বু, দিলিপ রে, লাললীঙজেন... অয়াম্বদি কাউরে। গুরখা টিম অসি, ফজনা শান্নরম্বনি।

ফুটবোলগী যিমদি য়াম্না লৈরম্মী। পীকখ্রবা ইম্ফাল ময়োলগী কখুলোঙ (কে ৱাই সি) কৈশামথোঙ কবুই, মেজর খুল কবুই, আর ৱাইগী পনে দাল হায়রিবশিং অসি, মখোয় মখোয়গী কবুই ঙাক্তনা শান্নবা ক্লব লোইনা লৈরম্লিবনি। ফজনা শান্নবা প্লেয়রসু য়াম্না পুথোক্লরম্বনি। হৌজিক্তি লোইনা মুৎথরক্লে। এম বী এস য়ু, এস য়ু, ৱাই পী, ইম্ফাল স্পোর্টিং য়ুনিয়ন হায়রিবা ক্লব ময়ামসিদি মপান কাংজৈবুঙ অসি, মখোয়গী গ্রাউন্দ ওইনা খঞ্জরম্লিবনি। অদুবু, মতমগী অহোংবা কয়ানা, কাংজৈবুং চঙবদা অথিংবা কয়া লৈরকপদগী শান্ন-খোৎনবদসু অহোংবা কয়া লাকখ্রে। মনিংতম্না অয়ুক নুংথিল শান্নরম্বশিংদু তপ্না তপ্না লেপ্পখিবদগী, শান্নরোইশিংসু নোংমা নোংমগী ময়েং তাথরকখ্রে। মসিসু নৈননিঙাই ওইবা ৱাফম অমনি। মপান কাংজৈবুং অসি, মণিপুরগী অচৌবা টুর্নামেন্টশিং পাঙথোকফম ওইবদা নত্তনা শান্নরোই কয়াগী মফম মতম নাইদনা প্রেক্টিশ তৌফম শান্নবুং অমসু ওইরম্লিবনি।

...মথঙ-মথঙ




GRATEFUL TO SIR NABAKISHORE

It gives me pleasure to thank Shri Laishram Nabakishore of Sagolband Khamnam Leirak, Imphal, for his treatment in getting rid of kindney stone from my left kidney. After using his medicine for one week, I found that the stone of size 0.67cm. from my kidney was discharged. may God bless him for his successful life.

Sd/- Usha Chhetri
Kanglatongbi Shantipur

HL-P/770/26





"CHUMMI" HAINA LOUBIBARA?
"LALLI" HAINA LOUBIBARA?

It was a wonderful feeling that I felt after I went through this wonderful book/a set of true statements "Chummi" Haina Loubibara? "Lalli" Haina Loubibara? written by Laishram Nabakishore of Sagolband Khamnam Leirak, Imphal and published by Aheibam (o) Guni Devi of Heirangoithong Bazar. It was very useful that I can use it to bring my personality higher. So, I am thanking both the writer and publisher of this book. Lastly, I am also thanking K. Birkumar Singh of Chingamakha Maisnam Leikai for singing as a song by collecting some words from this book.

Sd/- Naorem Naresh Singh
Kakching Paji Leikai

HL-P/730/26


## এসোসিএশন শেমখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ ঃ

নেশনেল স্পোর্টস একাদেমিদা লৈরিবা জুদো শান্নরোইশিংগী মমা মপাশিংগী ওইবা নেশনেল স্পোর্টস একাদেমি জুদো পেরেন্ট এসোসিএশন কৌবা লুপ অমা হৌখিবা তাং ২০ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা শেমখ্রে হায়না নেশনেল স্পোর্টস একাদেমি জুদো পেরেন্ট এসোসিএশনগী সেক্রেটরি টি ঐচ বিশ্বরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। এসোসিএশন অসিগী চেরোল অদুনা মখা তারদুনা একাদেমি অসিগী এসোসিএশন অমা নৌনা শেম্বগী পান দমদি জুদো শান্নরোইশিংনা মালেমগী থাক্তা শান্ননবা হোৎনবদা তঙাইফদনা চংদবা য়াদ্রবা কয়া অদু মতেং পাংনবা হোৎনবনি হায়রি।

## এম ও এনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৪ ঃ

স্কোটলেন্দগী গ্লাসগোদা হৌজিক চত্থরিবা ২০ শুবা কমনৱেল্থ গেমসকী ঙরাং অহৌবা নুমিত্তা মণিপুরগী শান্নরোই ৪ না মেদল লৌরকপদা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএশন্না থাগৎপা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা গেমস অসিদা শরুক য়ারুবা অমদি মেদল ফংলকপা শান্নরোইশিং ওকপগী থৌরম অমসু শান্নরোইশিংনা ইম্ফাল য়ৌরক্লবা কান্দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

ৱেঠলিফটিং কেজি ৪৫ গী কাংলুপ্তা গোল্ড লৌরকখ্রবা কে ঐচ সঞ্জিতা চনু, সিলভর লৌরকখ্রবা এস মিরাবাই চনু, জুদোগী কেজি ৪৮ দা সিলভর লৌরকখ্রবা সুসিলা লিকমাবম অমসুং কে জি ৫২ গী কাংলুপ্তা ব্রোঞ্জ লৌরকখ্রবা কলপনা থৌদামদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শান্নরোইশিংগী য়েংবিদুনা মখোয়গা চান্নবা থবক পিবিয়ু হায়নসু মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএশনগী চেরোল অমনা হায়রি।


## ফেংশ্রু/মোলেষ্ট তৌরুবা লৈতে

ঙসি তাং ২৫/৭/২০১৪ইংদা মণিপুর লোকেল পেপরশিং অমদি আইএসটিভিগী খুথাংদা লাইতোঞ্জম ওংবী ইন্দুবলা দেবী ৪০ মপুরোইবগী মীং এল. কেবা এলিয়স সনাতোম্বা এলিয়স ইবুঙোদা রোমেন না মোলেষ্ট তৌখি হায়রিবা ৱাফমদু প্রসিদেন্ট পাটশোই নুপী লুপ না কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মোলেষ্ট তৌখিবা লৈতে। মসি শেমজিন-শাজিনবা অরানবা পাউনি হাইরিবা নুপামচাসি মশা পাখংনি লাইরিক লাইসু নিংথিনা খংলবা মীওইনি মহাক্কী হৌখিবা পুন্সিদা অসিগুম্বা লুজদবা থৌওং অসি থোকখিবা লৈতে। লৈকাইনা শাখিনি। চাওখৎতবা থর্দ ক্লাসক্কী ৱাখল্লোনশিংনা লান্না পাউ শান্দোক্লিবসি লাইবক থিবনি। মৈরা পাইবী লুচিংবী লৈশাংথেম প্রেমিলা হায়রিবী নুপী অসি পাটসোই পার্ট-৪ দা লৈতে। পাটসোই পার্ট-৪ গী মৈরা পাইবীগী সেক্রেটরিনা নাকল অমখক য়েংলগা লান্না পাউ শনে দাকপনি ক্রাইম হায়বসি লৈকাই অমদা হেক্তা থোকপা য়াই তৌবদবু মদুবু কুপ্না লৈকাই অদুগী ক্লব, মৈরা পাইবী অহন-লমনশিংনা অচুম-অরান খংদোক্লগা মীয়ামদা অমদি অয়াবা-য়াদবা সেক্রেটরিনা তৌনিংব তৌবা ওর্গনাইজেসন য়াওরক্তবগী মওংনি। হায়রিবা নুপামচাসিগী য়ুমদা এল. ইন্দুবালা অমদি লোইনবশিংনা খোঞ্জেন মান্নৈ হায়বগী নমাদা মীবু ইজৎ মাংহনবা অরানবা পাউ শন্দোকপা লাইবক থীবনি। করিগুম্বা রোমেন হায়রিবা নুপামচা অসিনা মোলেষ্ট তৌবা তারবদি খুদক্তা মহাক লাউ-খোংদ্রিবা করিগীনো? মতমদুসু ঙাল্লিবা দুকানশিং থোং হাংনরিবা লমবীদুসু ইলেক্ট্রিক ব্লব না পুমঙান ঙাল্লিবনি। লান্বীদুসু মীনা চৎখোক-চৎশিন তৌরিবা মতমনি থংনবা য়ুমশিংদা পাউ পীদদনা লাপ্পা চৎলগা পাউ পীরীবা করিগীনো? রোমেন হায়রিবা নুপামচাসি মণিপুর সরকারগী এস.আই. খনখিবসু লৈতে, মসিনা তাকপদি মখোয়না মীয়ামদা পাউ লান্না শন্দোক্তুনা মীয়ামবু উৎ-চাইবনি মীয়াম্না থাজবিরুগনু অসিগুম্বা থৌওং অসি লমদমসিগী ক্লব, মৈরা পাইবি, এসোসিএসনশিংনা অচুম্বা বীচার তৌবিয়ু হায়না পাটসোই পার্ট-৪ নুপী লুপকী প্রসিদেন্টনা শেংদোকচরি।

শেংদোকচরিবা
এম. অহিল্লা দেবী
প্রসিদেন্ট, পাটশোই পার্ট-৪ নুপী লুপ

HL-P/772/26


# ঘনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন লীগকী অহৌবা মেচতা কে আই ৱাই সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৫ ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা মহারাজ কুমার ঘনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৪ চত্থবা হৌখিবগা লোয়ননা অহৌবা মেচতা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুঠ ক্লব (কে আই ৱাই সি) মায় পাকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী মমিং লৈরবা সুপর দিভিজনগী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী চত্থবা হৌখ্রবা লীগ অসি ঙসি নুংথিল এম ও বি সিগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি মোহম্মদ অমিন শাহা অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশনগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ মোহোরিনা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোকখি। থৌরম অদুদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী জেনরেল সেক্রেটরি এল রঞ্জিৎ রোয়সু শরুক য়াখি।




মহারাজ কুমার ঘনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রি ইরিল মপাল, ৱাই ও এস সি খুরাই, অবা ক্ষেত্রিগাও, এলেভেন ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অকাম্পাৎ, ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈ, পি ৱাই এ কাইরং, উপা ক্যামগৈ অমসুং সিটিজেন ক্লব সোইবম লৈকাইনি।

ঙসি শান্নখিবা লীগ অসিগী অহৌবা মেচতা কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রি ইরিল মপালনা সিটিজেন ক্লব সোইবম লৈকাই গোল ৪-৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেচ অদুদা টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখি। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা কে আই ৱাই সিগী এম রোমি মীতৈনা গোল অনী মেচকী ৪ অমসুং ৭৪ শুবা মিনিটতা চনখি। ৱাই রাজনা গোল অমা মেচকী ২৯ শুবা মিনিটতা অদুগা এম দি রোহিটহুসেন্না গোল অমা মেচকী ৭৫ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা মায়থিহৌরবা সিটিজেন ক্লব সোইবম লৈকাইগী গোল অহুম অদু সেখ অজারচিষ্টিনা গোল অনী মেচকী ৭৬ অমসুং ৮০ শুবা মিনিটতা চনখি। টিমদুগী শান্নরোই এম চিংলেম্বনা গোল অমা মেচকী ৭৮ শুবা মিনিটতা চনখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা কে আই ৱাই সিগী শান্নরোই অহুম টি রবিচন্দ্রা, এম দি লকিমুদ্দিন অমসুং এম মঙলেম্বদা রেফ্রিপি ঐচ লনথোইবনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি। সিটিজেন ক্লবকী শান্নরোই এম দি নাজিরুদ্দিন অমসুং এস জেকিচান্দসু রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

# য়ু বি এস মন্তক অমসুং এস এ ও ককচিং মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৪ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচিংনা শিন্দুনা দি এস এ ককচিংগী প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরিবা ১১ শুবা লৈহাও দেবী মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৪ ঙসি শান্নখিবা মেচতা য়ুনাইটেদ ব্রদরস স্পোর্টিং এসোসিএশন (য়ু বি এস এ) মন্তক অমসুং সেনা এঠলেট ওর্গেনাইজেশন (এস এ ও) ককচিং মায় পাকখ্রে।

দি এস এ ককচিংগী মমিং লৈরবা অমসুং মপাঙ্গল কল্লবা সুপর দিভিজনগী টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা য়ু বি এস এ মন্তক্না এদভান্স ভলন্টিয়রর্স ওর্গেনাইজেশন (এ ভি ও) ককচিং গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা য়ু বি এস এ মন্তক্কী শান্নরোইশিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না হৈশিংনা অমসুং কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নখিবনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চত্থখি।

য়ু বি এস এ মন্তক্কী শান্নরোইশিংনা য়াম্না হৈশিংবা হেনখিবা মরম্না মেচকী ২৫ শুবা অমসুং ৫৯ শুবা মিনিটতা বিদেনপালনা গোল অনী থংন-থংননা চনখি। টিমদুগী অহুমশুবা গোল নম্বোইনা মেচকী ৭৮ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ অদুদা এ ভি ও ককচিংনা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা য়ু বি এস এ মন্তক্কী মখুত্তা মায়থিখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এস এ ও ককচিংনা সোসিএল ৱেলফ্যের ক্লব (এস দব্লিয়ু সি) ৱাইখোং গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা এস এ ও ককচিং অমসুং এস দব্লিয়ু সি ৱাইখোং অনীগী শান্নরোইশিংনা মেচকী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্নখিদে। টিম অনীমক্না গোল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া ফংনরবসু মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা ওন্থোকপা ঙম্নখিদে।

মেচ অদুদা এস এ ও ককচিংগী মায় পাকপগী গোল অদু শান্তকুমারনা মেচকী ৪৬ শুবা মিনিটতা চনখি। গোল শোত্থরিবা এস দব্লিয়ু সি ৱাইখোংগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোক্লবা ফনা কন্না শান্নজরবসু গোল হন্দোকপা ঙমদনা এস ও এগী মখুত্তা মায়থিখি।

মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এস এ ও ককচিংগী সোবামি অমসুং শান্তকুমারদা রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমমম বুক তৌখি। মেচ মায়থিহৌরবা এস দব্লিয়ু সিগী শান্নরোই প্রিয়োদসু রেফ্রিনা য়েলো কার্দ অমা বুক তৌখি।

হয়েং অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা আই ৱাই এ ককচিং অমসুং কে এফ সি ককচিং অনীনা শান্নরগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা এফ এস সি ককচিং অমসুং টি য়ু সি থোংজাও অনীনা শান্নরগনি।


IN THE FAMILY COURT : BISHNUPUR: MANIPUR

ORIGINAL (G&W) CASE NO. 3 OF 2014

Meisnam Sanatomba Singh, aged about 43 years, S/o. M. Amuthoi Singh, resident of Ngakchroupokpi village, P.O. & P.S. Bishnupur, Bishnupur District, Manipur.
...Petitioner

-Versus-

Khwairakpam (o) Thoibi Devi, aged about 35 years, W/o. Kh. Premkumar Singh, resident of Chingmeirong Leingkhol, at present Ithai Bazar at the parental home of Oinam Chandramohon Singh, District Bishnupur, Manipur.
... Respondent

To,

All the interested person (s).

WHEREAS, the above named petitioner filed an applicantion before this Court U/S 7(1)(b) r/w Sec. 8,19,10 and 11 of the Guardian and Wards Act, 1890 praying for declaring the petitioner as the Guardian of the minors, namly, 1). Miss Meisnam Olivia Devi and 2). Master Meisnam Wilson Singh both Daughter and Son of Late Meisnam Okendro Singh resident of Ngakchroupokpi village, P.O. & P.S. Bishnupur, Bishnupur District, Manipur.

WHEREAS, after registering the aforesaid application, this Court had fixed the same on 04/08/2014 at 10:30am. for appearance;

WHEREAS, notice is given to all the person (s) who is/are interested in the present case to appear before this Court either in person or by a pleader duly authorised by you and file Written Objection, if any, in regard to the said application.

Take notice that in default of your appearance on the aforementioned date and time, the case will be heard and determined in your absence.

Given under the seal and sign of this Court, this the 23rd day of July, 2014.

Sd/- Sheristadar
Family Court, Bishnupur

HL-P/771/26



PASSBOOK LOST

I have lost my Passbook issued by SBI (Loktak Branch) bearing Account No. 33310769377 on the way from Thanga Lawai to Moirang on 25/7/2014. Finders are requested to handover the same to the undersigned or please informed to the mobile number given below.

Sd/- Ningthoujam Bishwanath Singh,
Thanga Lawai ☎ 09008797355

HL-P/775/26



## খঙহঙ্গবা

হৌখিবা তাং ২৩/০৭/২০১৪ ইং য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৫ তাবা মতমদা উৎলৌ অৱাং লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা হিদংময়ুম ওংবী প্রেমিলা দেবী মপুরোইবা লৈখিদবা ঐচ. বিগে শর্ম্মা অমদি মহাক্কী ময়াম্বা হিদংময়ুম ইঙোচা শর্ম্মগা প্রেমিলাগা অরোনবা মরী লৈনরম্বগী মতাংদা লাইরেঞ্জম মঙ্গোলজাও সিংহ উৎলৌ অৱাং লৈকায়না ময়াই তাংবল লৌদুনা মীটিং পাঙথোকখি। মরমদি হৌখিবা মমাং চহীগী ২০১৩ গী দিসেম্বর তাং ০৩/১২/২০১৩ ইং, লৈবাকপোকপা নুমিত্তা হিদংময়ুম ওংবী প্রেমিলা দেবীনা অঙাং নুপা অমা পোকখি। ঐচ. প্রেমিলাগী নুপাদি লৈখিদ্রে কনাগী মচানো হায়দুনা উৎলৌ প্রজা মীয়াম্না থীগৎপীয়ু হায়দুনা য়ুনিভর্সেল মাদর ওর্গনাইজেসন (য়ু এম ও) দা তাং ০৯/১২/২০১৩ খুৎশিন্নখি। য়ু এম ওনা কন্না থীগৎলিঙৈ চৈরকসিদা হিদংময়ুম ইঙোচা শর্ম্ম উৎলৌগী প্রজা মীয়াম্না খুন্দগী তান্থোকখ্রবনি অমদি দি এন এ টেষ্ট তৌবগী মশাগী অয়াবসু থমখ্রবনি অসুক কুইরবা মতম অসি ফাওবদা য়ানখ্রবা অমবু হৌজিক্না দি এন এ টেষ্ট তৌবা ঙম্লরোই হায়না কোইচেন চেনবা অসিনা তাকপদি ঐচ. প্রেমিলা দেবীনা পোক্লিবা অঙাং (নুপামচা) অসি ঐচ. ইঙোচা শর্ম্মগী মচানি হায়বা অসি উৎলৌ প্রজা মীয়াম অমদি য়ু এম ও মীফম্না য়ান্নখি। য়ু এম ওদা লৈরম্বী ঐচ. প্রেমিলা দেবী মহাক্কী অপোকপী মমা মাইবম মেম্মা দেবীনা মহাক্কী ময়ুমদা থমজরগে হায়বগী মতুংইন্না ঙসিগী মীফম্না খুৎশিন্নখি। অঙাং অসিগী মপা মশক তাকপদা মীয়াম অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চংবীয়ু। ঙসি ঙসিমক কংলৈপাক অসিদা থোক্লিবা নুপীগী ক্রাইম অসিদা ঐচ. ইঙোচা শর্ম্মা অমদি ঐচ. প্রেমিলা দেবী অনীনা লৌরিবা ফিরেপ অসি সমাজগী মাঙননবা মচাকনি অমদি ইনাৎপু শীংনবনি। হায়রিবা মীচেল ওইরিবা ইঙোচাগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎপীয়ু।

Sd/- N. Rashmani Leima General Secretary
L. Bilashini Devi, O. Secretary
Universal Mother Organisation (UMO)
Mayai Loishang, Imphal West

HL-P/779/26



## টেন্দর কৌরিবা নোটিশ

## মিলিটরি ইঞ্জিনিয়র সার্ভিসেস

১. **হেদ ক্বাটর ১৩৭ ৱর্ক্স ইঞ্জিনিয়রস,** সি/ও ৯৯ এ পি ওনা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টকী মহুৎ শীল্লদুনা এমঈএসকী এনলিষ্টেদ কন্ত্রেক্টরশিং অমসুং টেন্দর ইস্যু তৌনবগী কন্ত্রেক্টর খন্নবা এলিজিবিলিটি ক্রাইটরিয়া লৈরবা অতৈ অতোপ্পা গভর্নমেন্ট দিপার্টমেন্টশিংদা থবক তৌরিবা এনলিষ্টেদ/অনএনলিষ্টেদ কন্ত্রেক্টরশিংদগী মখাগী থবকশিং অসিগীদমক টেন্দর ইশ্যু তৌনবা এপ্লিকেসন কৌরি :-

| | | |
|---|---|---|
| থবক্কী মমিং | : | জখমা মিলিটরি ষ্টেশন্দা লৈবা ৯ বিহারগী পম্প হাওস নম্বর -০১ অমসুং বিল্ডিং নম্বর টি-২০৬ অমসুং টি-২০৭ মনাক্তা লৈবা বিল্ডিং নম্বর টি-৩৯২ অমসুং টি-৩৯৪ দা স্পেসল রিপ্যার |
| এষ্টিমেটেদ কোষ্ট ওফ ৱর্ক | : | লুপা লাক্ষ ৩৬.৪০ (লুপা লাক্ষ কুন্থ্রাতরুক লিশিং নিফু) |
| থবক লোয়শিনবগী মতম | | থা ০৭ (তরেৎ) |
| এমঈএসতা এনলিষ্ট তৌদবা কন্ত্রেক্টরশিংগী অর্নেষ্ট মনিগী এমাউন্ট | : | সিদ্যুল বেঙ্ক অমদগী কোল দিপোজিৎ রিসিটগী মওংদা লুপা ৭২,৮০০.০০ বি জি বি চৎনরোই। |
| টেন্দরগী কোষ্ট | : | সেদ্যুল বেঙ্ক অমদগী এজিঈ (i) জখমাগী মিংদা দি দি/বেঙ্করস চেককী মওংদা লুপা ৫০০.০০ |
| এপ্লিকেশনশিং লৌশিনবগী অরোইবা চৈচৎ | : | ১৩ ওগষ্ট ২০১৪ |
| এলিজিবিলিটি ক্রাইটরিয়া :- (এ) এমঈএসতা এনলিষ্ট তৌরবা কন্ত্রেক্টরশিংগী | : | 'দি' ক্লাস কেটগোরি 'এ' (i) |
| (বি) অতৈ অতোপ্পা কন্ত্রেক্টরশিংগীদমক | : | এন্যুএল ত্রন ওর্ভর, ৱার্কিং কেপিটেল, ফিক্স এসেট, গভর্ণমেন্ট দিপার্টমেন্ট অমদা আউটষ্টেন্দিং রিকভরি লৈতবা, সিক্যুরিটি ক্লেয়রেন্সনচিংবগী তঙাইফদবা ভেল্যু মপুং ফানা পেন্নিংঙাই ওইবা অদুগা মরী লৈনবগা লোয়ননা এম ঈ এসকী এনলিষ্টমেন্ট ক্রাইটেরিয়া লৈরবা |
| টেন্দর ইস্যু তৌবগী চৈচৎ | : | ১৪ ওগষ্ট ২০১৪ দা নত্রগা মতুংদা |
| টেন্দর লৌশিনবগী অরোইবা চৈচৎ | : | ১৩ সেপ্তেম্বর ২০১৪ গী পুঙ ১২.০০ ফাওবা |

খঙজিনবিগদবাঃ-

১. কোষ্ট ওফ টেন্দরগী ওইনা দিদি/বেঙ্করস চ্যেকগী তঙাইফদবা ভেল্যু লোয়নরক্তবা এপ্লিকেসনশিং অদুগী টেন্দর ইস্যু তৌবদা খন্নরোই।

২. এম ঈ এসতা এনলিষ্ট তৌদবা কন্ত্রেক্টরশিংনা রিকভরি আউষ্টেন্দিং লৈতে হায়বগী এফিদাবিট য়াওনা মখোয়গী এলিজিবিলিটি অদু মথক্তা পনখিবগুম প্রমান তৌনবা তঙাইফদবা দোক্যুমেন্টশিং লোয়নরক্কদবনি।

৩. টেন্দর ইস্যু তৌবগী এপ্লিকেসন অদু রিজেক্ট তৌরকপা তাঞ্জাদা এপ্লিকান্টদা টেন্দরগী কোষ্ট হন্দোক্কনি। কন্ত্রেক্টর অদুনা মথংগী হায়র ইঞ্জিনিয়ার ওথোরিটি হায়বদি সি ঈ শিলোং জোন্দা মহাক্কী টেন্দর ইস্যু তৌবগী এপ্লিকেশন রিজেক্ট তৌবগীদমক অপিল তৌবা য়াই। হয়র ইঞ্জিনিয়র ওথোরিটি অদুগী ৱারেপনা অরোইবা ওইগনি অমসুং চৎনগনি। অদুমক ওইনা কন্ত্রেক্টর অদুদা টেন্দর ইস্যু তৌদবগী মখল অমগী কম্পেন্সেসন পীনিংঙাই ওইরোই।

৪. মথক্তা পীরিবা অকুপ্পা ৱারোলশিং অসি এমঈএস ৱেব সাইট **www.mes.gov.in** দগী ফঙগনি। টেন্দর আইএএফদব্লিয়ু-২১৬২ গী মপুং ফাবা নোটিশ অমসুং এনলিষ্টমেন্ট ক্রাইটরিয়া অদু এমঈএসকী ওফিস পুম্নমক্তা অমসুং এমঈএস ৱেবসাইটতসু ফঙগনি।

davp 10102/11/0845/1415






HL-B/995/28/5-27/6